# ইন্দিয়ানা পাকিস্তানগী চীফ জষ্টিস অমসুং ফোরেন মিনিষ্টর সাংহাই কো ওপরেসন ওর্গনাইজেসনগী মীফমশিং শরুক য়াননবা ইনভাইট তৌখ্রে

ইস্লামাবাদ, জনুৱারী ২৪ (এজেন্সী):

রসিয়া অমসুং চাইনাসু য়াওরিবা সাংহাই কো ওপরেসন ওর্গনাইজেসন (এস সি ও) গী মীফমশিংদা শরুক য়াননবা ইন্দিয়ানা পাকিস্তানগী চীফ জষ্টিস উমর অতা বন্দিয়ল অমসুং ফোরেন মিনিষ্টর বিলাৱল ভুটো জর্দারি ইনভাইট তৌরক্লে হায়না মেদিয়া রিপোর্টনা হায়রি।



এক্সপ্রেস ট্রিব্যুনগী রিপোর্টনা হায়রি, মদুদি ইন্দিয়ানা হৌজিক রসিয়া, চাইনা, ইন্দিয়া, পাকিস্তান, ইরাক অমসুং সেন্ট্রেল এসিয়ন ষ্টেটশিং য়াওরিবা এস সি ওগী প্রসিদেন্সি পায়রি। এস সি ওগী প্রসিদেন্ট ওইনা ন্যু দিল্লিনা মেম্বর ষ্টেটশিংগী চীফ জষ্টিসশিংগী কনফরেন্স, ফোরেন মিনিষ্টরশিংগী মীটিং য়াওনা ইভেন্ট কয়া পরিং নাইনা থৌবু ওইগনি অমদি কুমজা ২০২৩ দা সম্মিট অমসু পাঙথোক্কনি।

এস সি ওগী চীফ জষ্টিসশিংগী মীফম অদু লাক্লিবা মার্চতা পাঙথোক্কনি অমসুং ফোরেন মিনিষ্টরশিংগী মীফম অদুনা মেদা পাঙথোক্কনি। ইন্দিয়ানা পাকিস্তানগী চীফ জষ্টিস অমসুং ফোরেন মিনিষ্টরদা ইনভাইট তৌরকখি হায়বসি নিংথৌকাবা নুমিত্তা ইনভাইট তৌরকখি হায়বসি ওফিসল ছোর্সশিংনা এক্সপ্রেস ট্রিব্যুনদা কনফার্ম তৌখি। অদুম ওইনমক পাকিস্তানগী চীফ জষ্টিস অমসুং ফোরেন মিনিষ্টর অনীমক ইভেন্টশিং অদুদা হকথেংননা শরুক য়াগদ্রা নত্ত্রগা পাকিস্তানবু মহুৎ শিনবশিং থারক্কদ্রা হায়বদু শেংনা খঙবা ঙমদ্রি।

ছোর্সশিংগী মতুং ইন্না ইন্দিয়ানা ইনভাইট তৌরিবদুগী মতাঙদা পাকিস্তানগী মায়কৈদগী হৌজিক ফাওবদা রেস্পোন্স অমত্তা পীরক্ত্রি। চাইনা অমসুং রসিয়া য়াওবা মরম্না এস সি ও অসি মরু ওইবা ফোরম অমা ওইবনা পাকিস্তাননা ইভেন্টশিং অদুদা শোয়দনা য়াওবা য়াবগী ফিভম লৈ হায়না এক্সপ্রেস ট্রিব্যুনগী রিপোর্টনা মখা তারি।

ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্তান অনীমক চহী খরগী মমাঙদা হিরম কয়াদা ইথিল পীবা ঙম্লিবা ওর্গনাইজেসন অসিগী মপুং ফাবা মেম্বরশিং ওইনা য়াওখিবনি। মদু মখোয়না লৈবাক অনীগী ওইবা য়ান্নদবা ৱাফম কয়া লৈদুনসু এস সি ওগী থবক থৌরমশিংদা অকায়বা অমত্তা থোকহল্লোই হায়না থাজবা পীরবা মতুংদনি। এস সি ওগী ফোরেন মিনিষ্টরশিংগী মীফম অদু ইন্দিয়াগী গোৱাদা পাঙথোক্কনি হায়না রিপোর্ট অসিনা মখা তারি।

অমরোমদা, পোলিটিকেল অমসুং সেক্যুরিটিগী তং তাদবা হেনগৎলক্লিঙৈদা পাকিস্তানগী ইকনোমিক ক্রাইসিস হেন্না লূশিল্লক্লে হায়রি।

লৈবাক অসিনা থা অসিগী অঙনবদা শেন্দোলগী রিপেমেন্টদা কন্না হোৎনদুনা দিফোল্ট তাহন্দবা ঙমখিবা ওইরবসু ফোরেন একচেঞ্জ রিজার্বশিং দোল্লর বিলিয়ন ৭ তগী হন্থখিবগা লোয়ননা শেল থুমগী হিরমদা চেলেঞ্জ কয়া মায়োক্নরক্লি। লৈবাক অসি বেঙ্কক্রপ ওইবা য়াবগী অকিবসু নোংম নোংমগী হেনগৎলক্লি। শেনবা চহী অসিদা লৈবাক অসি দোল্লর বিলিয়ন ৩০ হেনবা শেন্দোল শীংনবা হোৎনবদা শোয়দনা ৱারগনি হায়রি।

পাকিস্তানগী বেঞ্চ মার্ক কে এস এ নিংথৌকাবা নুমিত্তা পোইন্ট ১১০০ গী মথক্তা হাইথরক্তুনা ইনভেষ্টরশিংগী মরক্তা মীপায়বা পোক্লরে হায়বসি উৎখি। লোকেল পাউচে দোনগী মতুং ইন্না দলাল সেক্যুরিটিসকী সি ই ও সিদিক দলালনা ফোঙদোকখিবদা ইন্দেক্স কা হেন্না নোংমদা হাইথরক্লিবসি পঞ্জাব অমসুং খাইবর পাক্তুনখুৱাগী এসেমব্লিশিং মুখৎলকপা য়াই হায়বগী অকিবা য়াওনা মরম কয়ামরুম লৈ।

# নুমিৎ খরনিগী মনুংদা অনীশুবা ওইনা কালির্ফোনিয়াদা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা মীওই তরেৎ শিখ্রে

সেন্ট ফ্রান্সিস্কো, জনুৱারী ২৪ (এজেন্সী):



য়ুএসকী কালির্ফোনিয়া ষ্টেটতা নুমিৎ নীনিগী মমাঙদা থোকখিবা পাক্তক্না নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অমদা মীওই তরাগী পুন্সি লোমখ্রবা মতুংদা গনমেন অমনা কাপ্পদা য়ামদ্রবদা মীওই তরেৎ অমুক শিখ্রে হায়রি।

নিংথৌকাবা নুমিৎকী এটেক অদু সেন্ট ফ্রান্সিস্কোগী খারোমদা কিমি ৫০ রোম লাপ্পা লৈবা সমুদ্র মপানগী সিটি হাপ মুন বেগী তোঙান তোঙানবা মফম অনীদা থোকখিবনি হায়না মেদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

রিপোর্টশিং অদুগী মতুং ইন্না পুলিসনা থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা গনমেন অদু ফারে অমসুং মহাক মশাগী চহী ৬৭ শুরবা মমিংনা জাও চুনলি কৌবা লোকেল রেসিদেন্ট অমনি হায়বসি খঙবা ঙম্লে।

অহানবগী ভিক্তিম মরি নুংথিল পুং ২.২২ তাবা মতমদা মসরুম ফার্ম অমদা থেংনখি অমসুং অতৈ অহুম অদুনা নক্কনা লৈবা ট্রক্কিং বিজিনেস মফম অমদা মতুং তাবদা থেংনখি। এটেক অদু করিগীদমক্তা চথখিবনো হায়বসি হৌজিক ফাওবদি খঙবা ঙমদ্রি। নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙলদুনা সেন্ট মাটিও কাউন্টিগী সেরিফ কৃষ্টিয়া কোর্পসনা হায়খি, মদুদি সস্পেক্ট অদু মশামক নুংথিল পুং ৪.৪০ রোম তাবদা লোকেল পুলিস ষ্টেসন অমদা গাড়ী থৌদুনা লাকপদগী ফাখি।

মশাদা লোইনরকখিবা সেমি-ওটোমেটিক পিষ্টল অমা এটেক অদুদা শীজিন্নখিবা খুৎলায় ওইরমগনি হায়না পুলিসনা থাজখি অমদি সস্পেক্ট অদু পুলিসতা কো ওপরেসন পীরি হায়না সেরিফ অসিনা ফোঙদোকখি।

পোর্ট অসিনা মখা তানা হায়খি, মদুদি এটেক অদুগী নিপানশুবা ভিক্তিম হোস্পিটালদা অরুবা ফিভমদা লায়কন্নরি। অসিগুম্বা মখলগী নোংমৈগী এটেক অসি কিনিংঙাইনি। অসিগুম্বা থৌদোক অসি তোইনা থোক্লবা অৱাবগী মশক ওইরবা থৌদোক্লি। তৌইগুম্বসুং ঙসিমক ঐখোয়গী সেন্ট মাটিও কাউন্টিমক্তদা থৌদোক অসি থোক্লকখি হায়না সেরিফ অসিনা ফোঙদোকখি।

ষ্টেট অসিনা হৌখিবা থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংদা এসিয়নশিংনা মেজোরিটি ওইবা মোন্টেরি পার্কতা লুনর ন্যু ইয়রগী সেলেব্রেসন পাঙথোক্লিঙৈদা চথখিবা নোংমৈগী এটেক্তগা শিখিবশিংগী অৱাবা ফোঙদোক্লিঙৈ মরক্তা নিংথৌকাবা নুমিৎকী থৌদোক অসিসু অমুক থোরকখিবনি।

# কম্বোদিয়ানা নোমপেনগা থাই বোর্দরগা শম্নগদবা দোল্লর বিলিয়ন ৪ গী হাই-স্পিদ রেল লৈহন্নবা থৌরাং তৌরি

নোম পেন, জনুৱারী ২৪ (এজেন্সী):

কম্বোদিয়ানা হৌজিক লৈরিবা নোর্দন নোম পেন-পোইপেট রেলৱে অপগ্রেট তৌদুনা কিংদম অসিগী অহানবা হাই-স্পিদ রেল ওইহন্নবা থৌরাং তৌরি হায়না লৈবাক অসিগী মিনিষ্ট্রি ওফ পব্লিক ৱার্কর্স এন্দ ট্রান্সপোর্টনা ফোঙদোকখ্রে।



মিনিষ্ট্রি অসিগী মতুং ইন্না রেলৱে প্রোজেক্ট অদু পায়খৎপদা দোল্লর বিলিয়ন মরিগী মথক্তা চঙগনি।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়রি, মদুদি পোইপেট অসি থাইলেন্দগা বোর্দর লোন্নবা মরু ওইবা সিটিনি। প্রিলিমিনরি রিজল্টশিংনা কিমি ৩৮২ শাংবা রেল লাইন অদু শেমগৎপদা ইলেক্ট্রিক লোকোমোটিব অমসুং কেরিয়রশিং য়াওনা দোল্লর বিলিয়ন মরি হেনবগী কেপিটেল ইনভেষ্ট তৌবা মথৌ তাগনি অমসুং কন্সট্রক্সনগী থবক অদু মপুং ফানা লোইশিনবদা চহী মরিরোম চঙগনি।

মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়রি, মদুদি হাই-স্পিদ রেল অসিগী অপাকপা মিটর ১.৪৩ ওইগনি অমসুং স্পিদনা পুংদা ১৬০ কিমি ওইগনি। রেল রুট অদুদা পুন্না ষ্টেসন ৩৩ অমসুং ওভর পাস ৩০০ গী মথক্তা লৈগনি। মিনিষ্টর ওফ পব্লিক ৱার্কর্স এন্দ ট্রান্সপোর্ট সুন চান্থোলনা হায়খি, মদুদি প্রোজেক্ট অদুগী কন্সট্রক্সনগী থবক অথুবা মতমদা হৌরগনি হায়না থাজৈ। নোর্দন নোমপেন-পোইপেট হাই-স্পিদ রেল অদুনা মরু ওইনা ট্রান্সপোর্টেসনদা খুদোংচাহনবগা লোয়ননা সোসিও ইকনোমিক গ্রোঠ ফগৎহনবদা মতেং পাঙলগনি। মরু ওইনা রেল অদুনা ফাওরিবা প্রোভিন্সশিং অমসুং সিটিশিংদা হাই-স্পিদ রেল অসিনা থোইদোক হেন্দাক্লা কান্নহল্লগনি হায়না মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

মিনিষ্ট্রি অসিগী ষ্টেটমেন্ট মতুং ইন্না হাই-স্পিদ রেল অসি মরু ওইনা কম্বোদিয়া অমসুং থাইলেন্দগা লোয়ননা এসোসিএসন ওফ সাউথ ইষ্ট এসিয়ন নেসন্স (অসিয়ন) গী অতৈ লৈবাকশিংগী মরক্তা পেসেঞ্জর অমসুং ফ্রাইট সার্ভিসশিং ফগৎহনবদা মরু ওইবা মীৎয়েং থমগনি। কম্বোদিয়াদা হৌজিক রেল রোদশিংগী লাইন অনী লৈ। মখোয় অদুদি কিমি ৩৮২ শাংবা নোমপেন অমসুং পোইপেট সিটি শম্নহল্লিবা নোর্দন লাইন অমসুং নোমপেনগা ইন্টরনেসনেল সি পোর্ট প্রোভিন্স প্রিয়া সিনাহাউক্কা শম্নহল্লিবা কিমি ২৬৬ শাংবা সাউর্দন লাইন অসিনি। কুমজা ১৯২৯ অমসুং ১৯৬৯ গী মরক্তা শাখিবা লাইন অনী অদু চহী কয়া লিশাং শিৎনা থোকখিবা সিভিল ৱার মনুংদা অমাঙ অতা থোকখি।

# বাংলাদেশতা অনৌবা নেচরেল গ্যাস রিজার্ব থেংনরে

ধাকা, জনুৱারী ২৪ (এজেন্সী):

বাংলাদেশকী খা থংবা শরুক্তা অনৌবা নেচরেল গ্যাস রিজার্ব থেংনরে হায়না এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না অনৌবা ষ্ট্রকচর অদুদা ফোসিল ফ্যুএল মরাং কায়না লৈরম্বা য়াবগী ওইথোকপা লৈ হায়না বোলা দিষ্ট্রিক্টতা লৈরল্লিবা গ্যাস ষ্ট্রকচর অদু ষ্টেটনা চল্লাইবা বাংলাদেশ পেট্রোলিয়ন এক্সপ্লোরেসন এন্দ প্রদক্সন কম্পেনি লিমিটেদ (বি এ পি ই এক্স) না থিজিনবদা থেংনরকখিবনি।

অনৌবা গ্যাস রিজার্ব থেংনরে হায়বসি ষ্টেট মিনিষ্টর ফোর পৱার, ইনর্জি অমসুং মিনরেল রিছোর্সেস নাসরুল হামিদনা লাউথোকখি। মহাক্কী মিনিষ্ট্রিনা থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না নৌনা থেংনরিবা ভোলা নোর্থ-২ এপ্রাইজেল ৱেল অদুনা নোংমদা ক্যুবিক ফিট মিলিয়ন ২০ হেন্না পুথোকপা ঙম্বা য়াই।

বি এ পি ই এক্সনা মিটর ৩,৪২৮ লুনা তৌথরগা থীবদা গ্যাস রিজার্ব অদু থেংনরকখিবনি। মিনিষ্টর অসিনা মহাক্কী ফেসবুক পেজতা পোষ্ট অমা ইরদুনা হায়খি, মদুদি পেট্রো বাংলা (বাংলাদেশ ওইল, গ্যাস এন্দ মিনরেল কোর্পোরেসন) না কুমজা ২০২৫ ফাওবগী মনুংদা অনৌবা এক্সপ্লোরেসন, দিভলপমেন্ট অমসুং ৱার্ক-ওভর ৱেল ৪৬ হুৎকনি নত্ত্রগা তৌগনি।

মিনিষ্টর অসিনা সাউথ এসিয়াগী লৈবাক অসিদা মখা তানা নেচরেল গ্যাস থীবগী থবক চথবা মথৌ তাই হায়নসু ফোঙদোকখি। হৌখিবা চহী খরগী মতমদা বি এ পি ই এক্সনা বাংলাদেশতা অপীকপদগীনা ময়াই ওইরপ্পা চাওবা ফিল্ড তরাগী মথক্তা থেংনরকখি।

হৌজিক ফাওবদা ষ্টেটনা চল্লাইবা কম্পেনি অসিনা থেংনরকখিবা খ্বাইদগী চাওবা ফিল্ড অদু ভোলাদনি। মদু কেপিটেল ধাকাদগী খারোমদা কিমি ২০৫ রোম লাপ্পা লৈবা স্কৱার কিমি ৩,৪০৩.৪৮ পাক চাওবা এরিয়া অমা কোল্লিবা সমুদ্র মপানগী ঈথৎনি। মদুদা ফোসিল ফ্যুএল ক্যুবিক ফিট বিলিয়ন চা কয়া লৈ হায়না পারি।

# নেপালদা য়ুহা হাবদা মীওই ১ শিরে, ন্যু দিল্লি য়ৌনা নিকখ্রে

কাঠমান্দু, জনুৱারী ২৪ (এজেন্সী):

লৈবাকপোকপা নুমিত্তা নেপালগী মনুং হঞ্জিনবা দিষ্ট্রিক্ট অমদা মেগ্নিট্যুট ৫.৬ য়ৌনা য়ুহা হাবদগী য়ামদ্রবদা মীওই অমা শিখ্রে অমসুং য়ুম ২০ হেন্না অমাঙ অতা থোক্লে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ওফিসলশিংদুগী মতুং ইন্না য়ুহা অদুনা মরম ওইদুনা ইন্দিয়াগী কেপিটেল ন্যু দিল্লি ফাওবা নিকখি। দিষ্ট্রিক্ট ওফিসল অমনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখিবদা মিলিটরি অমসুং পুলিস টিমশিং লৈবাক অদুগী নোংচুপ থংবদা লৈবা বাজুরা দিষ্ট্রিক্টকী য়ুহা অদুদা শোক্লবা মফম অদুদা চঙশিনখি।

লোকেল মেদিয়ানা ভোলুন্টিয়রশিংনা য়ুমগী অকায় অতোইশিং হোগায়দুনা হিংহৌবা মীওইশিং থীবগী শক্তমশিং উৎখি। গৌমুল ভিলেজকী ওফিসল দেব বহাদুর রোকয়ানা ফোঙদোকখিবদা শজিক লৌনবগীদমক চীং মথক্তা কাখৎখিবা নুপী অদুনা য়ুহা অদুনা নিকপদগী ওন্থরকখিবা অচৌবা নূঙ অমনা তকথৎপদগী শিখি।

য়ুএস জুলোজিকেল সর্ভেনা হায়রি, মদুদি য়ুহা অদু নেপালগী জুম্লা দিষ্ট্রিক্টকী অৱাং নোংচুপলোমদা কিমি ৬৩ রোম লাপ্পা অমসুং কেপিটেল কাঠমান্দুদগীনা কিমি ৩০০ হেন্না লাপ্পা মফম অমগী কিমি ২৫ লূবা মফমদা থোকখিবনি।

বাজুরা দিষ্ট্রিক্টকী ওফিসল অমা ওইরিবা নাইল ৱাৱলনা হায়খি, মদুদি য়ুহা অদু হৌজিক ফাওবদা ঐখোয়না থেংনখিবা অচৌবা য়ুহাশিংগী মনুং চল্লি। য়ুম-কৈশিং কন্না নিক্লকখিবগা লোয়ননা মীয়াম্না লম্বীশিংদা কুল্লগা লৈনখি। মতম খরদি মীপুম খুদিংমক মীপায়নখি।

অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্ট ওফিসল অমা ওইরিবা পুষ্কা খটকানা ফোঙদোকখিবদা ভিলেজশিংদা য়ুহা অদুনা অমাঙ অতা থোকহনখিবা নত্ত্রগা ময়ি চৎহনখিবা য়ুমশিং অদু অয়াম্বনা লৈখোম অমসুং নুঙনা শাবনি। রেস্ক্যু টিমশিংদগী মখা তাবা অকুপ্পশিং ঙাইরি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

মমাঙদা য়ুরোপিয়ন-মেদিটরিনিয়ন সাইস্মোলোজিকেল সেন্টরনা য়ুহা অদুগী মেগ্নিট্যুট ৫.৪ নি হায়না লাউথোকখিবনি।

ইন্দিয়াগী সোসল মেদিয়া য়ুজরশিংনা মখোয় য়ুহা অদুনা মরম ওইদুনা অকোয়বদা লৈরিবা পোৎশকশিং কন্না নিক্লকপা উখি হায়না ফোঙদোক্লখি।

পনবা য়াবদি, কুমজা ২০১৫ দা নেপালদা মেগ্নিট্যুট ৭.৮ য়ৌনা হাখিবা অকনবা য়ুহা অমদা মীওই ৯০০০ রোম শিখিবনি।

# ইয়ুনা য়ুক্রেনদা অহেনবা মিলিটরি মতেং পীরগনি

ব্রাসেলস, জনুৱারী ২৪ (এজেন্সী):

য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন (ইয়ু) না য়ুক্রেনদা পীবা মিলিটরিগী মতেং মখা তানা য়ুরো মিলিয়ন ৫০০ (দোল্লর মিলিয়ন ৫৪৩) হাপচিল্লগনি হায়না য়ুনিয়ন অসিগী ফোরেন মিনিষ্টরশিংনা য়ানখ্রে।

ইয়ুগী ফোরেন চীফ জোসেফ বোরেলগী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়, লৈবাক অসিগী মিলিটরিগী ট্রেনিংদা চঙগদবা শেনফম য়ুরো মিলিয়ন ৪৫ অসি য়ুনিয়ন অসিনা হান্ননা য়ানখ্রে। মসি য়ুক্রেনদা য়ুনিয়ন অসিনা পীগদবা মিলিটরি মতেঙগী তরেৎশুবা পেকেজনি হায়না বোরেলনা ইয়ুগী ফোরেন মিনিষ্টরশিংগী মীফম লোইরবা মতুংদা প্রেস কনফরেন্স অমদা ফোঙদোকখি। মসিগা লোয়ননা য়ুরোপিয়ন ইষ্ট ফেসিলিটিগী মথক্তা ফাইনান্স তৌখিবা য়ুক্রেনদা পীবা মিলিটরি ফাইনান্সিএল মতেংগী অপুনবা শেনফম য়ুরো বিলিয়ন ৩.৬ য়ৌরগনি।

চৈরকসিদা য়ুক্রেনদা ইয়ুনা পীরিবা অপুনবা সপোর্টকী শেনফম অসি য়ুরো বিলিয়ন ৫০ নকশিল্লকপগা লোয়ননা য়ুনিয়ন অসিনা য়ুক্রেনদা মতেং খ্বাইদগী য়াম্না পীবা এন্টিটি ওইরি। মিনিষ্টরশিং অদুনা ইরানদা হৌজিক লৈরিবা ফিভমসু খন্নখিবগা লোয়ননা ইরানিয়ন ওফিসল ৩৭ কী মায়োক্তা লাউথোক্কদবা অথিংবশিংগী মরিশুবা পেকেজকী মতাংদা য়ানবা পুরকখি।


# ইরানগী পার্লিয়ামেন্টকী স্পিকরনা রসিয়াগা কোওপরেসন ফগৎহন্নবা হায়খ্রে

টেহরান, জনুৱারী ২৪ (এজেন্সী):

ইরানগী পার্লিয়ামেন্টকী স্পিকরনা রসিয়াগা পীনরিবা কোওপরেসন হেন্না পাকথোক চাওথোকহন্নবগী ৱাফম হৌদোকখ্রে। লৈবাক অনীমক য়ুএসকী শাথিরবা অথিংবশিং মায়োক্নরিবনি হায়রদুনা স্পিকরনা লৈবাক অনীগী মরক্তা কোওপরেসন হেন্না ফগৎহনবগী ৱাফম অসি হৌদোকখিবনি।

স্পিকর মোহমদ বাকর খালিবাফনা ৱাফম অসি টেহরানদা খোঙচৎ অমা লাক্লিবা রসিয়ন ষ্টেট দুমাগী চিয়ারমেন ব্যাচেস্লাব বোলোদিনগা লোয়ননা পাঙথোকপা জোইন্ট প্রেস কনফরেন্স অমদা ফোঙদোকখি হায়না এজেন্সিনা ইস্না ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্ট পল্লদুনা হায়রি।

ইরান অমসুং রসিয়াগী সুপ্রিম জোইন্ট পার্লিয়ামেন্টরিগী অহুমশুবা মীফম লোইরবা মতুংদা পাঙথোকখিবা প্রেস কনফরেন্স অদুদা কালিবাফনা হায়খি, মদুদি য়ুএসকী তমথীরবা অথিংবশিং অদু ইরান অমসুং রসিয়াগা লোয়ননা অতৈ লৈবাক কয়াদা পীরিবা খ্বাইদগী চাওবা থ্রেটশিংনি। মীফম অদুদা নাকল অনীনা কোওপরেসন হেন্না পাকথোক চাওথোকহনবা, ওইল অমসুং গ্যাস সেক্তরদা ইনভেষ্ট তৌবা অমসুং গ্যাস একচেঞ্জগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি।

মখোয়না এগ্রিকলচর, সেরিএলস ট্রেদ, অনৌবা টেক্নোলোজিশিংগী এপ্লিকেসন, ট্রান্সপোর্টকী লমশিং অমদি বেঙ্কিং অমসুং মনিটরি সেক্তরদা কোওপরেসন পীনবগী মতাংদসু ৱারী শান্নখি। কালিবাফনা ইরান অমসুং রসিয়াগী বেঙ্কশিংদা লৈবাক অনীমক্তা ব্রাঞ্চশিং হাংদোক্তুনা বাইলেটরেল ট্রেদ অমসুং বিজিনেস ট্রাঞ্জেক্সনশিংদা মখোয়গী নেসনেল করেন্সিশিং শীজিন্নবা য়াহন্নবসু তকশিনখি। জোইন্ট কনফরেন্স অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা বোলোদিরনা হায়খি, মদুদি রসিয়ন অমসুং ইরানগী মরী খ্বাইদগী ৱাংবা থাক য়ৌরে অমদি মরী অসি হৌজিক তোঙান তোঙানবা লেভেলশিংদা হেন্না চাওথোক্লে। লৈবাক অনীগী মরক্তা খুৎয়েক পীননবা শেম শারিবা কম্প্রিহেন্সিব কন্ট্রেক্ট অমনা লৈবাক অনীগী মরী অমুক্কা হেন্না ফগৎহল্লগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# পার্লিয়ামেন্টতা য়েৎনরকপদগী কুৱেটকী কেবিনেট রিজাইন তৌখ্রে

কুৱেট সিটি, জনুৱারী ২৪ (এজেন্সী):

পার্লিয়ামেন্টকী মশিং য়াম্বা ওপোজিসন কাঙবুগা কন্না য়েৎনরকপদগী কুৱেটকী কেবিনেট রিজাইন তৌখ্রে। এজেন্সিনা ষ্টেট মেদিয়া পল্লদুনা হায়রি, মদুদি পিএম সায়িদ অহমদ নৱাব অল-অহমদ অল-সবানা কেবিনেটকী রেজিগনেসন অদু ক্রাউন্দ প্রিন্স সয়িদ মেসল অল-অহমদ অল-জাবের অল-সবাদা সবমিট তৌখি।

ষ্টেট মেদিয়ানা কেবিনেটকী ষ্টেটমেন্ট পল্লদুনা অকুপ্পশিং ফোঙদোক্তুনা হায়রিবদি নিংথৌকাবা নুমিত্তা কেবিনেট রিজাইন তৌখিবদু একজিক্যুটিব অমসুং লেজিসলেটিব ওথোরিটিগী মরক্তা হিরম খরদা য়ান্নরক্তবদগী থোকখিবনি। পার্লিয়ামেন্ট লৈবাকপোকপা নুমিত্তা মীফম পাঙথোক্লবা লেপখিবনি হায়রি।


# রসিয়া-য়ুক্রেন লান: কিভতা লৈবা স্কুলশিংগী চাদা ৮৬ হৌজিক বোম সেল্টরশিং লৈরে

কিভ, জনুৱারী ২৪ (এজেন্সী):

হৌজিক রসিয়া অমসুং য়ুক্রেনগী মরক্তা শোক্নরিবা লান অসিনা মরম ওইদুনা য়ুক্রেনগী কেপিটেল কিভতা লৈরিবা স্কুল পুম্নমক্কী চাদা ৮৬ বোম সেল্টরশিং থম্নরে হায়না কিভ রিজনেল মিলিটরি এদমিনিষ্ট্রেসনগী হেদ ওলেক্সি কুলেবানা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখিবা ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়রি।



টেলিগ্রাম পোষ্টকী খুথাংদা কুলেবানা হায়খি, মদুদি হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভমশিংনা মরম ওইদুনা কিভ রিজনগী এদুকেস্নেল ফেসিলিটিশিংদা পুন্না সেল্টর ১,০৮৫ শেমগৎলে।

কুলেবানা মখা তানা হায়খি, মদুদি কেপিটেল রিজনগী মহৈ তম্ফম শঙশিংদা শেমগৎলিবা সেল্টর মশিং অসি চাদা ৮৬ ওইগনি অমসুং মখোয় ফুল টাইম নত্ত্রগা মিক্স ফোর্মেটশিংদা ওপরেট তৌবা য়াই।

য়ুক্রেনগী ফিভম নোংম নোংমগী লূশিল্লক্লি। হন্দক্তা কিভকী সবাব অমদা থোকখিবা হেলিকোপ্টর কায়বগী থৌদোক অমদা য়ুক্রেনগী ইন্টরিয়র মিনিষ্টর দেনিস মোনিষ্ট্রিসকী য়াওনা য়ামদ্রবদা মীওই ১৪ শিখিবনি।

প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেন্সকিনা হেলিকোপ্টর ক্রাস অদু অৱাবগী মশক ওইরবা থৌদোক অমনি হায়না ফোঙদোকখি অমসুং ওথোরিটিশিংনা থৌদোক অদুগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন অমসু তৌখি। য়ুক্রেনগী ইমার্জেন্সি সার্ভিসনা ফোঙদোকখিবা হৌখিবা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা ব্রোবারি টাউনদা থোকখিবা থৌদোক অদুদা শিখিবশিং অদুগী মনুংদা অঙাং অমা য়াওখি অমসুং অতৈ মীওই ২৫ সু থৌদোক অদুদা অশোক অপন নঙখি।

মশাগী চহী ৪২ শুরবা মোনাষ্ট্রিস্কিনা য়ুক্রেনিয়ন পুলিস অমদি অতৈ সার্ভিসশিংগী চার্জ পায়খি। মহাক রসিয়ানা হৌখিবা চহীগী ফেব্রুৱারীদা লান্দাবা হৌবদগী শিখিবা য়ুক্রেনিয়ন ওফিসলশিংগী মনুংদা মহাক্না খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্কী ওফিসলনি। মমাঙদা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা ভেটেরানশিংগা লোয়ননা মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাওদা লেনিন্দ গ্রেট হায়না খঙনখিবা সেন্ট পিটর্স বর্গ জর্মনশিংনা পায়শিল্লম্বদগী লৌথোকখিবগী ৮০ শুবা কুমওনগা মরী লৈননা পাঙথোকপা ইভেন্ট অমদা শরুক য়াখি। নাজি জর্মন ফোর্সশিংনা সিটি অদুবু নুমিৎ ৯০০ রোম চুপ্পা ব্লোকেদ তৌখিবনি।

ৱার ভেটেরনশিং অদুদা ৱা ঙাঙবদা পুটিননা হায়খি, মদুদি রসিয়ানা য়ুক্রেনদা ইথনিক রসিয়নশিং অমসুং রসিয়ন লোন ঙাঙবশিংবু য়ুক্রেনিয়ন ওথোরিটিশিংগী মীওৎ মীনৈগী থৌওংশিংদগী কন্ননবগীদমক্তা লান শোক্নরিবনি। মখোয় য়ুক্রেনদা সিষ্টেমেটিক ওইবা মওংদা অচান মিরাইগী মীৎয়েংগা লোয়ননা মতম চুপ্পদা তাথি তাওইনা তৌদুনা লাকখি।

চৈরকসিদা প্রসিদেন্ট পুটিনগী ৱাফম অদুবু কিভনা য়াখিদবগা লোয়ননা মদু অকন অরিং শীংদুনা লম লৌশিন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা মিলিটরি কেম্পেইন অমা চথবা য়ানবগীদমক্তা য়ুক্রেনবু মরাল শীরিবনি হায়খ্রে।

# ন্যু জিলেন্দগী বিচতা গুজরাটতগী মীওই অনী শিখ্রে

ৱেলিংতন, জনুৱারী ২৪ (এজেন্সী):

ন্যু জিলেন্দগী ওক্লেন্দগী নোংচুপতা লৈবা পিহা বিচকী য়াম্না খুদোংথীনিংঙাই ওইরবা মফমশিংগী মনুংদা ইরোইনবা হোৎনবদা ইন্দিয়ন নুপা অনী শিরে হায়না মেদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

হৌখিবা চহীদা থবক্কী ভিজা অমা শীজিন্নদুনা গুজরাটকী অহমেদবাদতগী লাকখিবা মশাগী চহী ২৮ শুরবা সৌরেন নায়িন কুমার পতেল অমসুং চহী ৩১ শুরবা অন্সুল সাহ ইরোইবা হৈতবগা লোয়ননা হৌখিবা চয়োলদা ইরাক্নদুনা শিখিবনি হায়না এনজেদ হেরালগী রিপোর্টনা হায়রি।

রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না পটেল ইলেক্ট্রিকেল ইঞ্জিনিয়রনি অদুগা সাহনা গ্যাস ষ্টেসনদা কেসিয়র ওইখি। মখোয় কুমজা ২০২২ গী নবেম্বরদা মফম অসিদা থুংলখিবনি। মখোয় রুম মেটশিংসু ওইখি। ইন্দিয়ন হাই কম্মিসনগী সেকেন্দ সেক্রেটরি দুর্গা দাসনা এনজেদ হেরালদা হায়খি, মদুদি অসুম্না মীওই অনী শিখিবনি ইন্দিয়ন কম্যুনিটিগী ওইনা অচৌবা মাঙজবনি। মখোয়গী ইমুং মনুংশিংনা নঙহৌরিবা অৱাবদা ঐখোয়না শরুক য়ারি।

মীওই অনীদুগী আইদেন্টিটিশিং কনফার্ম তৌরদুনা দাসনা হায়খি, মদুদি ৱেলিংতনদা লৈবা ইন্দিয়ন হাই কম্মিসন্না ভিক্তিমশিং অদুগী ইন্দিয়াদা লৈরিবা ইমুংশিংগা পাউ ফাওনখি। য়ুনাইটেদ নোর্থ পিহা সর্ফ লাইফ সেভিং ক্লবকী প্রসিদেন্ট রোবার্ট ফর্গুসননা হেরালদা হায়খি, মদুদি টৱারদা লৈরিবা লাইফ গার্দ অমনা লাইওন রোক্তগী মিটর ২০০ রোম লাপ্পা তুরেলগী মচিনগা নক্লনা ঈশিংদা মীওই অনী উখি। লাইফ গার্দশিং মফম অদুদা চঙশিনখিবা মতমদদি ইরোইরিবা মীওইশিংদু লৈরমদ্রে। মখোয়না ট্যুবশিং অমদি ফিনশিং শীজিন্নদুনা ইরোইরগা মখোয়বু কোইথি থিখি অমদি ঈশিংদগী পুখৎলকখি। ফর্গুসননা মখা তানা হায়, মীওই অনীদুনা ইরোইনবা খল্লিবা মফম অদু বিচ অদুদা লৈবা খ্বাইদগী হেন্না খুদোংথীনিংঙাই ওইরবা স্পোটশিংগী মনুংদা অমনি।

# ক্যেরটেক্কর সিএম এপোইন্ট তৌবগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট চথনবা আপিল তৌখ্রে



ইস্লামাবাদ, জনুৱারী ২৪ (এজেন্সী):

পাকিস্তানগী খ্বাইদগী চাওবা প্রোভিন্স পঞ্জাবকী ক্যেরটেক্কর চীফ মিনিষ্টর ওইনা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ পাকিস্তান (ই সি পি) না সয়েদ মোসিন রাজা নকবিবু এপোইন্ট তৌননবা লৌখিবা ৱারেপকী মায়োক্তা ইনৌ নৌনা প্রোটেষ্টশিং চথনবা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং পাকিস্তান টেরিক-ই-ইনসাফ (পি টি আই) গী চীফ ইমরান খাননা আপিল তৌখ্রে।

ক্যেরটেক্কর সিএমবু পি টি আইগী য়েক্লবনি হায়না পল্লদুনা খাননা ই সি পিবু পি টি আইবু পৱারদগী চিংথুরগা প্রোভিন্স অদুদা পি এম এল-এননা লুচিংবা গভর্ণমেন্ট অমুক লাকহন্নবা হোৎনরক্কদবা সিএম অমা এপোইন্ট তৌনবগীদমক কন্না চৈ থাংখি।

খান হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর অসিনা পাকিস্তানগী লম্বীশিংদা খোঙথাং অদুগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌনবা ৱারেপ লৌবদা নত্তনা এপোইন্টমেন্ট অদুবু কোর্টতা চেলেঞ্জ তৌনবসু ৱারেপ লৌখ্রে।

মহাক্না হায়খি, মদুদি ঐখোয়না অরান অহুই অমদি শেঞ্জা থুমজা কয়া তৌবা মীওই অমবু ইন্টরিম চীফ মিনিষ্টর ওইহনবা পামদে। এপোইন্টমেন্ট অসিগা মরী লৈননা ঐখোয়না লৈবাক অসিগী সিটি পুম্নমক্তা প্রোটেষ্টশিং পাক শন্না চথগনি। নকবি হান্নগী প্রসিদেন্ট অমসুং পাকিস্তান পিপলস পার্টি (পি পি পি) গী হেদ অসিফ অলি জর্দারিগসু য়াম্না নকশিন্নবা মীশক্লি হায়নসু খাননা ফোঙদোকখি।

নকবিবু পঞ্জাবকী ইন্টরিম সিএম ওইনা এপোইন্ট তৌবা হায়বসি রেজিম হোংদোক্লবগী ওপরেসন অমগা লোয়ননা হৌখিবা হেন্না চাওবা এজেন্দা অমগী শরুক্লি হায়না মহাক্না ক্লেম তৌখি।

রেজিম হোংনবগী ওপরেসন অদু হান্নগী আর্মি চীফ জেনরেল (রিটয়ার্দ) কামর জাবেদ বসৱানা মাষ্টরমাইন্দ তৌখিবনি হায়নসু হান্নগী পিএম অসিনা ক্লেম তৌখি।

পনবা য়াবদি, খাননা পাকিস্তানদা মীখল ঙন্না পাঙথোকপা য়ানবা রুল্লিং ফেদরেল গভর্ণমেন্টদা পোলিটিকেল প্রেসর পীনবগী পান্দমগা লোয়ননা পঞ্জাব অমসুং খাইবর পাক্তুনখুৱা (কেপি) প্রোভিন্সশিংগী এসেমব্লিশিং মুখৎলে হায়না খাননা লাউথোকখিবনি।